# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, MARCH 25, 2016 PAGE 7




*২০১২ লন্দন ওলেম্পিক গেমসতা নুপাগী কিলোমিটর ৱাল্ক রেসতা গোল্ড মেডল ফংখ্রবা মতুং সি এ এস না আই এ এ এফ কী মায়কৈদগী রুসিয়ান এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিদা কেস থাঙ্গৎলকপা মরম্না মেডল লৌথোকখ্রবা সর্গে কিরদিয়াবকিন*

*মালেমগী ফুটবোলদা ফ্লাইয়িং দটচমেন হায়না খঙনবা মমাঙ চহীদগী লং কেন্সর নাদুনা লৈরকপদগী মশাগী চহী ৬৮ শুরকপদা ঙরাং লৈখিদ্রবা নেদরলেন্দসকী ফুটবোল্লর জোহান ক্রুফ*



## আই সি সি ৱার্ল্ড টি-২০ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬

# শ্রী লঙ্কাবু ওষ্ট্রেলিয়ানা য়াম্না হেনবা মওংদা ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৪ ঃ

ন্যু দিল্লিগী ফিরোজ সহা কোট্‌লা ষ্টেদিয়মদা ঙসি টি-২০ ৱার্ল্ড কপ ৱুমেন্স ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী শান্নখিবা মেটচ অমদা শ্রী লঙ্কাবু ওষ্ট্রেলিয়ানা য়াম্না হেনবা মওংদা ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস শ্রী লঙ্কাগী নুপীগী টিম অদুনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা শ্রী লঙ্কাগী বেটসৱুমেন ৮ আউট ওইরগা ওভর ২০ দা রন ১২৩ খক লৌখি।

শ্রী লঙ্কাগী মায়কৈদগী কেপ্টেন চমারি আতাপতু অমসুং ৱিকেট কিপর দিলানি মনোদারানা চপ মান্নবা মওংদা রন ৩৮ / ৩৮ লৌবা ঙমখি। শ্রী লঙ্কাগী অহানবা ৱিকেট স্কোর বোর্দতা রন অমত্তা লৈত্রিঙৈদা আউট ওইখি। কেপ্টেন চমারা অমদি দিলানিনা অনীশুবা ৱিকেট পাটয়নর্সিপকীদমক য়াম্না ফজবা মওংদা ওভর ১০ দা রন ৭৫ লৌদুনা টিম অদুগী ফিভম শেন্বা হৌরকখি।

চমারিনা বোল ৩২ দা ফোর ৪ গা লোয়ননা রন ৩৮ লৌবা ঙমখি অদুগা দিলানিনা বোল ৩৫ দা ফোর ৫ য়ৈদুনা রন ৩৮ লৌবা ঙমখিবনি।

শ্রী লঙ্কাগী মতা তারকপা শান্নরেরাইশিং রন য়াম্না লৌবা ঙমখিদে। অনুস্কানা বোল ১৩ দা রন ১২ অদুগা ইসানিনা বোল ১৯ দা রন ১৬ লৌখি। অতোপ্পা শান্নরোইশিংদি রন ৮ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী মেগান স্কুট অমসুং কৃষ্টেন বিমসনা ৱিকেট ২। ৩২ লৌখি।

মায় পাক্নবা ওষ্ট্রেলিয়ানা দরকার ওইখিবা রন ১২৪ অদু লাম্হোক্তুনা ওভর ১৮ গী মরিশুবা বোলদা ৱিকেট অমখক তুরগা রন ১২৫ য়ৌখিদুনা মেটচ অদু মখোয়না শ্রী লঙ্কাবু ৱিকেট ৯ দা থোইখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর এলিজা হিলিবু বোল ১৪ দা ফোর ২ য়ৈরগা ারন ১২ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি।

অনীশুবা অমদি অহুমশুবা বেটসমেন ওইখিবা ইলিজ ভিলানি অমসুং কেপ্টেন মেক লেনিংনা আউট ওইদনা ম থংশিংনা রন ৫২ অমসুং ৫৬ লৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না য়াম্না কোম্না ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখি।



*শ্রী লঙ্কাগী কেপ্টেন চমারি অতাপতুবু রন ৩৮ লৌরম্লবা আউট ওইখ্রবা মতুং ক্রিজদগী থোকখিবা*

**ICC Womens World T20, 2016 - Points Table**

| Group A | Match | Won | Lost | Tied | NR | Pts | NRR |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| New Zealand | 3 | 3 | 0 | 0 | 0 | 6 | +2.564 |
| Australia | 3 | 2 | 1 | 0 | 0 | 4 | +0.089 |
| South Africa | 2 | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | +1.411 |
| Sri Lanka | 3 | 1 | 2 | 0 | 0 | 2 | -0.527 |
| Ireland | 3 | 0 | 3 | 0 | 0 | 0 | -2.900 |
| **Group B** | Match | Won | Lost | Tied | NR | Pts | NRR |
| West Indies | 2 | 2 | 0 | 0 | 0 | 4 | +1.325 |
| England | 2 | 2 | 0 | 0 | 0 | 4 | +1.107 |
| India | 3 | 1 | 2 | 0 | 0 | 2 | +1.130 |
| Pakistan | 2 | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | -0.056 |
| Bangladesh | 3 | 0 | 3 | 0 | 0 | 0 | -2.617 |

# ইন্দিয়াগী জুরা অহুম ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



*ন্যু জিলেন্দ ওপনগী নুপীগী দবলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী জ্বালা অমসুং পোনাপা*

ওকলেন্দ, মার্চ ২৪ ঃ

ন্যু জিলেন্দগী সহর ওকলেন্দদা চথরিবা ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী জুরা অহুম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান জুরা ওইরিবা জ্বালা গুত্তা অমসুং আস্বিনি পোনাপানা জপানগী মায়ু মাটসুমোতো অমসুং ৱাকানা নাগাহরাগাা শান্নবদা ১০-২১, ২৩-২১, ২১-১৫ তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

মখোয় অনীনা সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক অতোপ্পা জপানগী জুরা সিহো তনাকা অমসুং কোহারু য়োনেমোতোবু ১২-২১, ২১-১৭, ২৩-২১ দা থোইরম্বা ন্যু জিলেন্দগী জুরা সেতানা মপাসা অমসুং গ্রোনিয়া সোর্মোভিলগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং বি সুমিট রেদ্দিনা অনীশুবা রাউন্দদা ফিলিপিন্সকী রোনেল ইস্তানিস্তাও অমসুং পোল জেফরসনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৫, ২১-১৬ তা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী জুরা অদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক সাউথ কোরিয়াগী জুরা কো সুং হ্যুন অমসুং সিন বেক সিয়োলগা থেংনরগনি।

কোরিয়াগী জুরা অদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ জুরা ওইরিবনি। মখোয়না অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী ফজর অলফিয়ান অমসুং মোহমদ রিয়ান এদ্রিয়ান্তোবু ২১-১৩, ২১-৮ দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী প্রনব জেরি চোপ্রা অমসুং নিলাকুরিহি সিকি রেদ্দিনা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী তাকুতো ইয়োনি অমসুং নানু সিনোয়াবু ২১-১৬, ২১-১৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

জুরা অসিনা সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক মনু অত্রি অমসুং আস্বিনি পোনাপাবু ২১-১৭, ২১-১৯ দা থোইরম্বা সাউথ কোরিয়াগী জুরা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ জুরা ওইরিবা সিন বেক সিয়োল অমসুং সে য়ু জুংগা লম্বা তৌনরগনি।

নাকল অমরোমদা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন রেঙ্কিংগী ঙসি থোকখিবা অনৌবা লিষ্টতা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল ৬ শুবা পোজিসন্দা লেঙদনা লৈরি অদুবু হৌখিবা চয়োলদা স্বিজ ওপন গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপা শান্নরোই ঐচ এস প্রনোই পোজিসন ৩ হাইথরগা ৱার্ল্ড নম্বর ২৭ দা লৈরি।

# বার্সেলোনাগী মমিং লৈরবা শান্নরোই অনী লিওনেল মেসি অমসুং লুইজ স্বারেজ ফিফা ক্বালিফায়িংগীদমক ময়ুমদা হনখ্রে



*ময়ুম ময়ুমদা হন্দুনা নেসনেল ফুটবোল টিমগী ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট শরুক য়াগদৌরিবা মেসি অমসুং স্বারেজ*

মাদ্রিদ, মার্চ ২৪ ঃ

২০১৮ দা রুসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং শরুক য়াননবা স্পেনগী নম্বর ৱান ফুটবোল ক্লব ওইরিবা বার্সেলোনাগী মরুওইবা শান্নরোই ওইরিবা আর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসি অমসুং উরুগুৱে মচা লুইজ স্বারেজনা মখোয়-মখোয়গী লৈবাক্কী নেসনেল টিমদা শরুক য়ানবগীদমক বার্সেলোনা থাদোক্তুনা মরৈবাক্তা হনখ্রে।

নীংশিংবা য়াবা অমদি উরুগুৱেগী শান্নরোই লুইজ স্বারেজনা ২০১৪ ব্রাজিল ৱার্ল্ড কপ্তা ইটালিগা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইটালিগী শান্নরোই জিওরজিও চৈলিনিবু বোল মুন্নবদা মনা চিক্লুবগীদমক ফিফানা মহাকপু অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি। হায়রিবা অথিংবা অদুগী অপীবা মতম লোইরদুনা রুসিয়া ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াননবা য়ুরোপিয়ান ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা শরুক য়াননবা ময়ুমদা হনখিবনি।

অমরোমদা বার্সেলোনাগী টিমগী ষ্ট্রাইকর আর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিসু লৈবাক অদুগী নেসনেল টিমদা শরুক য়ারুনবা বার্সেলোনা থাদোকখি।

ফিফানা পীবা ৱার্ল্ড প্লেয়র ওফ দি ইয়ারগী মনা অদু ৫ রক হন্না ফংখ্রবনি।

আর্জেন্টিনাগী ফুটবোল টিমনা ঙসি অথেংবদা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মমাঙগী চহীগী ফাইনেলদা মখোয়বু থোইরম্বা চিলিগা শান্নগদৌরি।

ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা আর্জেন্টিনাগী টিম অসি হৌরকপদা ইক্কাদোরনা য়াম্না থাজদবা মওংদা মায়থিবা পীরম্বনি। ক্বালিফায়িং অসিগী মখা তাবা মেটচশিংদা আর্জেন্টিনানা পরাগুৱে অমসুং ব্রাজিলনা থেংনগদৌরি।

মমাঙ চহীগী ওক্তোবর থাদা ইক্কাদোরগী মখুত্তা মায়থিখ্রবা মতুং নবেম্বর থাদা কলম্বীয়াবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা ফিভম খরা ফগৎপা ঙম্লকপনি।

নীংশিংবা য়াই ২০০৮ ওলেম্পিক গেমসদা নুপাগী ফুটবোলগী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা মতুং কেপ্টেন ওইবগী থৌদাং লৌরিবা লিওনেল মেসিনা অচৌবা টুর্নামেন্ট অমত্তা আর্জেন্টিনা টিমগীদমক লৌবা ঙমদ্রি।

উরুগুৱেগী ওইনদি ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী মেটচ ৪ শান্নখিবদা ৩ মায় পাক্তুনা ফিভম ফজনা লৈরি।

সাউথ অমেরিকাগী ওইনা ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টগী গ্রুপ মেটচতা ইক্কাদোরনা পরাগুৱেগা ঙসি শান্নবদা মায় পাকপা ঙম্নবা কন্না হোৎনগদৌরি।

# ইন্দিয়াগী অনন্দ করাউনানা মায়থিবা পীখ্রে



মোস্কো, মার্চ ২৪ ঃ

রুসিয়াগী সহর মোস্কোদা চথরিবা কেন্দিদেস চেছ টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা ৯ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫ রক ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন অনন্দবু য়ু এস এ গী গ্রান্দ মাষ্টর ফাবিয়ানো করাউনানা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়্রাগী অনন্দ পুন্না পোইন্ট ৫.৫ ফংদুনা লৈরি। মহাকপু মায়থিবা পীরম্বা য়ু এস এ গী করাউনা অমসুং রুসিয়াগী সর্গে কর্জাকিন পোইন্ট ৬। ৬ ফংমিন্নদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মাঙজিল থামিন্নরি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা সর্গে কর্জাকিনগা নেদরলেন্দসকী অনিস গিরিগা দ্রো চৎখিবনি। লোয়ননা য়ু এস এ গী হিরাকু নকামুরা অমসুং রুসিয়াগী পিটর স্বিদলর দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

# ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মেটচ ইন্দিয়াগীদমক্তা য়াম্না মরু ওইগদৌরি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৪ ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা আই সি সি টি-২০ ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী হয়েং ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং পাকিস্তান্না শান্নগদৌরিবা মেটচ অদুগী ফল অদুনা ৱার্ল্ড কপ অসিদা সেমি ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেলদা ইন্দিয়াগী ওইনা অচৌবা মরম অমা ওইগদৌরি।

পাকিস্তান ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দগী মখুত্তা মায়থিখিবনি। অদুবু নেট রন রেট য়েংনবদা ইন্দিয়াগী মখোয়না ফজবা হেল্লি। ইন্দিয়ানা মেটচ ৩ শান্নবদা ২ মায় পাকপা ঙম্লিবনি। গ্রুপ টু অসিদা বংলাদেশ সেমি ফাইনেলগী আশা লোইশিনখ্রবনি। মখোয়বু ঙরাং ইন্দিয়ানা রন ১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

গ্রুপ অসিদা ন্যু জিলেন্দগী টিম মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ অহুম্মক মায় পাক্তুনা মাঙজৌননা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল য়ৌননবগীদমক ইন্দিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং পাকিস্তান লাইবক য়েংনগদৌরিবনি।

হয়েং পাকিস্তান অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নগদবা মেটচ অদুদা করিগুম্বা পাকিস্তান মায়থিবা তারবদি ইন্দিয়ানা মখোয়গী অরোইবা মেটচ ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদৌরিবা অদু ক্বার্টর ফাইনেল ওইরগনি।

অদুবু করিগুম্বা পাকিস্তান্না ওষ্ট্রেলিয়া থোইবা তারবদি ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবদা মায়পাক্লবদি সেমি ফাইনেল অদুম্মক চঙলগনি। অদুগা করিগুম্বা মায়থিবা তারবসু ইন্দিয়াগী নেট রন রেট অদু পাকিস্তানদগী হেল্লবদি সেমি ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা পাকিস্তান থোইরবদি নেট রন রেট হোৎনবগী মথৌ তাদ্রে। মরম অদুনা পাকিস্তানসু ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবা অদু মায় পাক্নবা হোৎনগদৌরি।



*ওষ্ট্রেলিয়ান গ্রান্দ প্রি ফোর্মুলা ৱান কার লমজেলদা মার্সিদিজ কার কম্পেনিগী দ্রাইবর নিকো রোজবর্গনা টিমমেট লিৱিস হেলমিন্টনবু মায়থিবা পীখিবা*


**DELTA Tutorials** CBSE

Kwakeithel Leimakhujam Leikai, Tiddim Road, Imphal

**The Largest coaching centre for Sc. & Arts in Manipur**

**Class IX & X**
6 months course

**Class XII (Sc.)**
5 months course

**Admission Open**
for Foundation course

Office timing: 10:00am to 7:00pm

Class timing: (4:30 to 7:30)pm

**Class starting From 1st April, 2016**

**Available Home Tutors**
All Boards from Class I to Degree

Only 30 students per class rooms | Van Service & Hostels for Boys & Girls

SL/ B/26 feb to 29 march